থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# য়ু ফুল, ষ্টুপিদ...!



ঙরাং, অশিংবা মী অমদি ইন্টে-লিজেন্ট ওইবা মী-অনীসিগী মরমদা পাউ অমখক তমজখি-থম্মোয়সিগী পাউদম ওইনা। ময়ামসু খনবীরমগনি- করিগীদমক অদুগুম্বা পাউ তম্নিংলুরিবা? পাউ অদু তম্লুবগী কান্নববু করিনো? কান্নদবা থবক্তি থৌরেম কৌনৈদনা! থৌরেম ওইবা থবক্তিং তৌরোইদবনি। অসুম্না কান্নদবা ৰাখলসু খল্লোইদবনি ঐখোয় কনাসু। খঙদে, ঐনা খল্লুরিবা ৰাখলসিবু কান্নরিবা ৰাখল্লা, কান্নদবা ৰাখল'লা? অশিংবনা কনানো? কোক লৈবনা করম্বনো? খনবমখৈ খল্লুরে। অদুগা, ঙসিনা অমুক খল্লক্লে- অপংবনা কনানো? ৰাখল য়াওদবা মী হায়বসিনা করম্বনো? ইংরাজি ৰাহৈদা হায়রগা- 'ফুল' অমদি 'ষ্টুপিদ'। পংদা পংবা অপংবা মহাক্তি খঙদবা/চমজবা মতৌ অমা ঈরোয়নৈ, ৰাখল খন্থদনা থবক তৌবা মহাক অদুবু শিংদবা মী (অপংবা, ফুল) কৌই। ৰাখল লৈতবা মীদি নত্তে 'ফুল', খন্থদনা থবক তৌবদুনি। অদুগা 'ষ্টুপিদ' হায়বা মী মখল অসিনা ৰাখল খন্থনবা মতিক (ইন্টে-লিজেন্স) হায়বদু শুকয়াও হেক য়াওদবা অদুবুনি।

ঐসে অপংবরা, অশিংবরা, ফুল হায়বদুরা, ষ্টুপিদ হায়বদুরা... ইশানা ইশাবু অমুত্তং শকখঙনবা হোৎনজরুবনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিসিদা ঐনা খল্লকখিবা ৰাখল, তৌজখিবা থবক! থবক্তুগী মহয়! মীনা করি খল্লম্বা? মীনা করি হায়রকপা? পুম্নমকসি য়েংলুরগা খঙলকই- ঐসি ঐ ওইরমদে। মতাংসিদা শীজিন্নজরিবা ৰাহৈ মরিসি- মীওইবা কৌবা জীবসিনা মীওইববু মশক খঙজনবা/শক্লাকুবা হোৎনরকপদা শেম্লকপা ৰাহৈমক্তনি। মীওইবনা মীওইবগী মশক লেপ্পবা হোৎনরকপদা 'লাই' (গোদ/ঈশ্বর) কৌবা, লৈ/লৈতে খঙদবা পোৎশক অমা শেম্লকই। লাই থিরিবা মীশিংদুনা 'মী'বু মশক তাক্লুবা হোৎনরকপদা, লায়না খঙবা ঙম্নবা পোৎশক অমগা প্রমান তৌদুনা উৎলকই- মীওইবা হায়বসি 'কৈরাক অমগুম্বনি'। কৈরাক হায়বগী শীজিন্নফম মরম অনীখক্তনি- মথক্তা কাবদা অমা, নৎত্রগা মখাদা কুম্বা অমা। মান্নদবা থবক অনীসিগীদমক শীজিন্নরিবা পোৎশক্তুদি 'কৈরাক' হায়বা চপ মান্নবা পোৎশক অদুনি। কাবা নৎত্রগা কুম্বা- থবক্তুগী মায়ওন হোংবখক্তনি।

মীওইবা হায়বসি 'স্বর্গদা কাবা' নৎত্রগা 'নরক্তা কুম্বা' হায়বা থবকসিগীদমক শীজিন্নরিবা কৈরাক অদুনি। শা-উচেকশিংগী মরক্তা 'ফুল' লৈতে, 'ষ্টুপিদ' ওইবা য়াওদে, পাপ-পুন্যগী ৰাখল লৈতে, সাধু-লৈতে, সন্যাস লৈতে, মীহাৎপা কনানো, লাইপোক্লা করম্বনো- কনানসু খঙে দাক্লদে। শা-ঙা-উচেকশিংগী মরক্তা করম্বনা অপংবনো, করম্বনা অশিংবনো- মীওইবনা খন্দোকপনি। মখোয়গী মরক্তা 'ইন্টেলিজেন্স'তি য়াওই, 'ষ্টুপিদতি'দি য়াওদে, মরম লৈতবা থবক তৌদে। মহৌশাবু শিংনগে- খল্লিবা থৰায় পানবদি মীওইবা মথন্তননি। মীহাৎপা, পাপিসু মীওইবনি, লাইগুম মতিক লৈরবা 'লাইপোক'তুসু মীওইবনি।

মীওইবনা ষ্টুপিদ হায়বা ৰাহৈ অসি করিগীদমক শেমখিবনো? মরমদি, ঐখোয় মীওইবদা লাক্লুবা ঙমদবা পূক্নিং, আশা হায়বা অমা য়াওরি। মশানা তৌবা ঙম্বা, ফংবা ঙম্বদুগী ৰাংমদা তৌবা পাম্মী, লৌবা পাম্মী। মহৌশাগী খুৎশেম'বু শিংনবা পাম্মী মীওইবনা। 'নেচরবু খুদুম চল্লে'- কান্নদবা নাপল অসিগা ঈরোয়ননা হিংনিংই। ঈশিং, মালেম, অতিয়া- অহুমসিগা পুন্না অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবই ৰাখল খনবা নত্তবা, মরোল অহুম অসিগী মপু ওইনা হিংনিংই মীওইবনা। অদুবু কৌই 'ষ্টুপিদ আইদিয়া' (ৰাখল য়াওদবা ৰাখল)। ঙরাং অমদি হয়েং কৌবা মতমগী শক্লোন অমা মীওইবনা শেমগৎতুনা লৈসু লৈতবা মতমদুগা য়াওনমিন্নদুনা লৈনিংই মীওইবা। অদুবু কৌই- 'ষ্টুপিদিতি'। 'হৌজিক' হায়বা মতম অসি নত্তনা, ঙসাই, হোরেন, ঙরাং, নহান, হয়েং-হংচিৎ হায়বা মতম অমা লৈতে হায়বা ৰাখল অসি খনবা ঙমদবসিনি 'মীওইবগী ষ্টুপিদিতি'।

অদু ওইরবদি- ঐ, নঙ, মা-ঐখোয় পুম্নমক- ষ্টুপিদ, ফুল... হায়বা থৰায় পানবা মখলদুনি... ঐখোয় য়াবা তাবনি। অদুদি, ঐখোয়বু কনানা 'ষ্টুপিদ' ওইহল্লি? সমাজ-খুন্নাই-ধর্ম্ম-রিলিজন-ষ্টেট-নেসন পুম্নমকসিনা মসিদা লৈরিবা মীওইবশিং অসিবু, অপংবা, ৰাখল য়াওদবা, 'ফুল, ষ্টুপিদ' হায়বদু ওইহনবা পাম্মী। ঐখোয়বু কনানসু অশিংবগী মী, ইন্টেলিজেন্ট ওইবা মী ওইহনবা কনানসু পামদে। মরমদি, ৰাখল খনবা ঙমদবা, অপংবা মী হায়বসিমক্তবু হায়বা ইনবা ওইগল্লি। মখোয় অমা অনীনা মতম শাংনা লুচিংবা ওইনা লৈবা য়ানবা মী ময়াম অসিবু লায়রবা, ৰাখল য়াওদবা, অপংবা, ষ্টুপিদ পিপল ওইনা লৈননবা থৌশিল য়াৎলি, থবক তৌই। বুদ্ধ, যিসস, মুহম্মদ- মখোয়গী মতুং ইনবা 'ষ্টুপিদ পিপল' লীশিং কয়াদি থোক্লকখি। ষ্টুপিদ ওইবা মীয়ামগী তুংইনবা বুদ্ধ, মহাবীর, নানক অমত্তদি থোরক্তে।

মীওইবনা করিগী অসুক তমথিরিবনো? হায়বা ৰাহং অসিগী পাউখুম ওইনা থোক্লকপা ৰাহায় অমনি... 'মীওইবা খুদিংমক্না মহাক ইন্টেলিজেন্ট ওইবা মীশক অমনি হায়বা ৰাখল অসি কৈদৌনুংদা থাদোকপা ঙমদে...'। ৰাখলসিদগী থোক্লকপনি 'ইগো'। সমাজসিদা লৈরিবা ইমুং-মনুং, স্কুল-কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি, ইনষ্টিট্যুসন, রিলিজন... পুম্নমকসিনা মীওইবগী 'ইগো কলচর' হেন্না কনশিনহল্লকই। ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম, মীবু এদ্যুকেট তৌবনা মরুওইবা পান্দম নত্তে। অথোই অহেন তান্নবা, অমনা অমবু নমহৎপা, অচৌবা মী ওইনবা, কোর্পোরেট হাউস লিংনবা, অচৌবা শেঞ্জাও পায়নবা হোৎনবদুনা মরুনি। 'ঐনা হেল্লি' হায়বা ইগো অদু য়োকখৎপনি।

যিসসনা হায়রম্মী হায়, অঙাংগী পুকচেল চেন্দ্রবা লাইরৈবাক্তা চংঙল্লোই। মতম কুইনা খঙলমদে ৰাহায়সিগী ৰাহন্থোক। স্কুল কুম্লকপা অঙাং অমনা হৱাও মোমোন্নদুনা হল্লকপদা মমানা হংবা ৰাহংগী পাউখুম অঙাংদুনা খুন্নকপদু তাবদগী খঙলকখি। '...ইচাদি থৰায় নুংঙাইনা হল্লকইদা, স্কুল কাবা নুংঙাইবরা?'... ইমা নঙসি পঙখ্রেদা! স্কুল কাবদনা অমনি, হল্লকপদনা অমনি... কাবগা কুম্বগা মান্নবা হৌনবরা?

লৌশিং পুক্কে

# বি পিগী হীদাক্না দিপ্রেসন ওইহল্লকপা



ব্লদ প্রেসর ৰাংবা মীওই-শিংনা বি পি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চারিবা হীদাকশিংনা বাইপোলর দিসওর্দর নৎত্রগা দিপ্রেসনগুম্বা মূদ দিসওর্দরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী প্রোফেসার সন্দোশ পদ্মনাভননা হায়খি, হাইপরটেন্সন (বি পি ৰাংবা) গী লায়েংদা চথবদা মেন্টেল হেল্‌থকী ৰাফম থোইদোক্লা থৌশানদে। বি পি হন্থহন্নবগী মতাংদা থারিবা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগশিংনা মীওইবগী পূক্নিং-ৰাখলদা অহোংবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৰাফম অসিগী মতাংদা ডোক্তরশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে।

রিছার্চরশিংনা এন্টিহাইপরটেন্সিব দ্রগ মখল মরি অমসুং দ্রগশিং অদুনা পূক্নিং-ৰাখলদা পীরকপা অহোংবশিংগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি। স্কোটলেন্দগী অচৌবা হোস্পিটাল অনীদা লায়েংলিবা মশাগী চহী ৪০ দগীনা ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ৫২৫,০৪৬ কী দেটা খোমজিল্লগা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনখি।

নুমীৎ ৯০ চুপ্পা অনাবশিংগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা বি পি ৰাংবগী হীদাক চাবা মীওইশিং দিপ্রেসন নৎত্রগা বাইপোলর দিসওর্দরগুম্বা পূক্নিং ৰাখলগী লায়না মায়োক্লরকপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেল 'হাইপর-টেন্সন'না হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, দিপ্রেসনগী লাইওং-শিংনা লংস কেন্সর নারবা মীওই-শিংগী পুন্সি তেনশিলহল্লি হায়বা অতোপ্পা ষ্টদি অমদগী খঙলে। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া লোস এঞ্জেলিস (য়ু সী এল এ) গী দোনাল্ড আর সুলিভাননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, লংস কেন্সর পেসেন্টশিং পূক্নিং ৰাখলগী লায়না নারবদি কুইনা পুন্সিদে। অদুবু পান্থে অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা পূক্নিং ৰাখল নুংঙাইহনবা তারবদি মতম শাংনা হিংবা ঙম্মী।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ২০০৩ দগী কুমজা ২০০৫ ফাওবা লংস কেন্সরনা নারবা মীওই ১,৭০০ লোমগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা ৰাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। 'জর্নেল ওফ ক্লিনিকেল ওনকোলোজি'দা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অসিগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংঙাইবা ৰাখল খনবগা লোয়ননা থোকঅবা অমা লাকচরগনি হায়না খন্দোকপা ঙম্বা মীওই খুদিংমক অরুবা লায়নানা নারবসু পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী। মরম অদুনা নাইতোম লৈবা মীওইশিংদগীদি ময়ুম-মকৈ পাল্লবা মীওই অমসুং মীরক তিনবা মীওইশিংনা নারক্লগসু লায়েংদুনা ফহনবদা লায়না থোকই। অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অমদি ক্লিনিসিয়নশিংনা অনাবা মীওই লায়েংবা মতমদা নারিবা লায়না অদুখক লায়েংবগী মহুত্তা অনাবা মীওই অদুগী পূক্নিং-ৰাখল নুংঙাইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্‌থ এন্দ ন্যুরো সাইন্সেস (নিমহান্স) সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৫ রোম পূক্নিং ৰাখলগী ওইবা লায়না মায়োক্লবা মরম্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা মতেং পাংবীবা মথৌ তাই। লৈবাক অসিদা মেন্টেল হেল্‌থ পেসেন্টগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লবসু সাইকিয়াট্রিষ্ট, সাইকোলোজিষ্ট অমদি সাইকিয়াট্রিক নর্সকী মশীং ৰাৎপা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২ দা লৈবা মীওই ৩৪,৮০২ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা মীওই মিলিয়ন ১৫০ রোম খুদক্কী ওইনা মতেং পাংবীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বা খঙলকখি। বেঙ্গলোরদা লৈবা নিমহান্সনা কেরলা, টামিল নাদু, গুজরাত, রাজস্থান, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝরখন্দ, ছটিসঘর, মধ্যা প্রদেশ, আসাম অমদি মণিপুরগী মপুং-মরৈ ফারবা মীওই ৩৪,৮০২ অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহা ১,১৯১ দা সর্ভে অমা পাঙথোকখিবনি।

ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওই চাদা ০.৬৪ সিজোফ্রেনিয়া, মীওই চাদা ৫.৬ মূদ দিসওর্দর অমসুং মীওই চাদা ৬.৯৩ ন্যুরোটিক দিসওর্দর মায়োক্লবা থেংনরে। পূক্নিং ৰাখলগী লায়নানা ইমুং-মনুং অমদি খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি।

ৰাখল লায়না লৈবা মীওইশিংগী মনুংদা নুপাদগী নুপীদনা চাং ৰাংবগা লোয়ননা কেরলা, আসাম অমদি মণিপুরদা চাং ৰাংবা থেংনখি। দিপ্রেসন, বাইপোলর, এফেক্টিভ দিসওর্দর, সিজোফ্রেনিয়া অমসুং সাইকোসিসনচিংবা পুম্নমক পূক্নিং ৰাখলগী অনাবা ঙাক্তনি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মতম চানা লায়েংলবদি মেন্টেল দিসওর্দরগী খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্মী। বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগোগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর হন্থহন্নবা হীদাক মতম শাংনা শীজিন্নরবদি পূক্নিং ৰাখলগী লায়না ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা বি পি ৰাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। কা-হেন্না বি পি ৰাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী মথৌ তারকই। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক মাঙজৌননা পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা চাকচা-য়ুথক শেমদোক্লুনা বি পি ৰাংহন্দনবা হোৎনগদবনি। য়ামদ্রবদা নুমীৎ ৯০ দগী হেন্না বি পি ৰাংবগী হীদাক চাবা মতমদা হকচাংগী কয়াৎশিং, মরুওইনা ব্রেনদা অহোংবা থোরকপদগী মেন্টেল দিসওর্দর ওইহল্লকপনি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, বি পি ৰাংলবদি তঙাইফদনা এন্টি-হাইপরটেন্সিভ দ্রগ চাবগী তঙাইফদবা মরম্না মেন্টেল দিসওর্দরগী রিস্ক ৰাংনা লৈ। মতম চানা পুন্সি মহিং অমসুং চাকচা-য়ুথক শেমদোক্লগা বি পি ৰাংহন্দনবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্থেনি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী হ্বাইট পেপর পুথোক্তুনা খঙহল্লু হায়বা কেম্পেন দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা চথরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গৱর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্টতা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমক্তা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা খঙহল্লু হায়না চথরকপা কেম্পেন ফোর প্রোটেক্সন ওফ হিষ্টোরিকেল এন্দ পোলিটিকেল আইদেন্টিটি ওফ মণিপুর, তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা এমসুনা পাঙথোকখ্রে।




ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হেদক্বার্টরসকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল সুরবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিগা থানা নুমীৎ তরুক্নি চনবা ওইনা ইন্দিয়া গৱর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মীপুম খুদিংমক্তা হ্বাইট পেপর পুথোক্তুনা খঙহল্লু হায়না কেম্পেন দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াই লম্বী লাইনদা ব্রিলিয়ন স্কুল, রোয়েল একাদেমী ওফ এদভান্স লার্নিং, য়ুম্নাম হুইদ্রোম হায় স্কুল, দাউন পব্লিক স্কুল, কাঞ্চিপুর লাইনদা টি ও এল, আই পি এস, দিনেশ্বরী হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ন্যু লাইট পব্লিক স্কুল, এস আই স্কুল, সিকা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ষ্টেন্দর্দ রোবার্থতসু চথখি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদসু কৈথেল ইমাশিংনা পাক শন্না খোঙজং চঙশিনখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দোনবোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল, চীংমৈরোং, সক্সেস স্কুল, সলান্থোং, সেক্রেদ হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পোরোম্পাৎ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না মোইরাং, বিষ্ণুপুর বজারদসু চথখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পাক শন্না হ্যুমেন চেন শেমদুনা মহৈরোয় অমদি ইমা ইবেলশিংনা প্রোটেষ্ট চথখি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু পাক শন্না হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চথখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পোলিটিকেল পার্টি খরনা য়ু জি গ্রুপশিং শীজিন্নদুনা কোংগ্রেস পার্টি নমথনবা হোৎনৈ হায়বসি ময়েক শেংলক্লে : জয়কিষন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ঙসি মহাক্কী থৌপুমদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকপা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম য়াওবা চৎপদা মাঙজৌননা আর ও পি তাবা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক চথরকখিবা থৌওং অসিনা মণিপুরদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা খুৎলায় পায়বা য়ু জি গ্রুপ শীজিন্নরগা কোংগ্রেস পার্টি নমথনবা হোৎনৈ হায়বসি ময়েক শেংলক্লেহায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ৰাঙাঙলোয় খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এম পি সী সীগী ৰাঙাঙলোয় এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা থৌপুম চৎপগী লম্বীদা ঙসি খুৎলায় পায়বা কাঙবু খরনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক চথরকখিবা থৌওং অসি কোংগ্রেস পার্টিনা কন্দেম তৌই। খুৎলায় পায়বা কাঙবু খরনা কিহন-খঙহল্লগা কোংগ্রেস পার্টিনা হনগদবা নত্তে। মণিপুর মীয়াম্নসু য়ু জি গ্রুপশিং শীজিন্নরগা পোলিটিকেলগী শক্তি পায়ননবা হোৎনরিবা পার্টিশিং অসি মরূ ফুক্না হুন্দোকখিনবা হোৎনবীয়ু।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা পীরোই হায়রিবা অসি মীয়াম্বু অপংবা শিবগী ৰাফমনি। বি জে পিনা তশেং-তশেংনা মণিপুরগী শক্তম কনবা পাল্লবদি এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গৱর্ণমেন্টকী মরক্তা সাইন তৌনরিবা ফ্রেমৱার্কএগ্রিমেন্ট অসি নাগালেন্দ মনুং খক্কী ওইগনি। মণিপুরগী ওইবা করিগুম্বা ৰাফম অমত্তা য়াওরোই হায়না লাউথোকউ। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা খরনা পেরা অনী য়াওই অমুক হায়, অহুম য়াওই অমুক হায়, করি অমত্তা য়াওদে অমুক হায় তৌরি। করিগুম্বা ৰাফম অমত্তা য়াওদ্রবদি মণিপুর মীয়ামদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৰাফম অসি তশেং-তশেংনা থম্বা ঙমদবগী মরম করিনো। চীংদা মীরেপ ওইরিবা বি জে পিগী ইচিল ইনাও খুদিংমক্না মণিপুরগী শক্তম কায়হল্লোই, মণিপুরগী শক্তম ঙাক্তুনা থমগনি হায়না লাউথোকপীয়ু।

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা এন এস সী এন (আই-এম)গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ঙম্মী। মণিপুরগী শক্তম কায়হল্লোই, য়ু এন সীগী থৌদোক অরানবনি হায়বনচিংবা ৰাফমসি হায়বা ঙম্মী। ঙসি ফাওবদা বি জে পিগী চীংগী লুচিংবা অমত্তনা অসিগুম্নবা ৰাফমশিং অসি হায়বা ঙমদবগী মরম করিনো হায়বদু মীয়াম্না নৈনবীয়ু। চীংদনা গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্বদা শৌগৎকনি হায়দুনা ভোট খোম্বা, তম্পাক্তনা ইন্টিগ্রিটি ঙাক্কনি হায়না ভোট খোল্লি। অসিগুম্নবা মরৈ অনী লোংবা পার্টি অসি মণিপুরগী পুম্মৎ মুখৎননবা কোংগ্রেস পার্টিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু। য়ু এন সীবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোকপীয়ু হায়বসি বি জে পিনদি ষ্টেটনা তৌগদবা থবক্লি হায়না লাউরি। অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট (প্রিভেন্সন) এক্ট ১৯৬৭ গী মতুংইন্না সেন্টরনসু জষ্টিফাইদ তৌরবদি লো থুগায়বা থবক তৌরিবশিংবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোকপা য়াই হায়বা ৰাফম য়াওরি। এক্ট অসিগী মখাদা ষ্টেট গৱর্ণমেন্টনা রিকমেন্দ তৌগদবনি হায়বা ৰাফম অমত্তা য়াওদে। অদুম্মকপু কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংনা সী এল পিগী মীফম ফমদুনা ৰারেপ লৌরগা রিকমেন্দ তৌখিবদি লৈরবনি। মসিদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা অনলোফুল ওর্গনাইজে-সন্নি হায়না লাউথোকপা অসি ষ্টেটকী মথৌনি হায়রবদি করম্বা পেরাদা য়াওবগে হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা লাউথোকপীয়ু। পংহায় হায়জিনবগী থবক্তি তোল্লসি।

বি জে পিগী ৰাঙাঙলোয় অমনা করিগুম্বা বি জে পিগী লৈঙাক ষ্টেটসিদা লাক্লবদি য়ু এন সী মুখৎকনি হায়খিবা লৈরে। কোংগ্রেস পার্টিনা য়ু এন সীবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন্নি লাউথোকপীয়ু হায়বা ৰাফম্না করিগী সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক্না তুমীন্না লৈশিল্লিবনো। মসিনা তাকপদি বি জে পিনা য়ু এন সী অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) নচিংবশিং শীজিন্নরগা পোলিটিকেল পৱার পায়নবা হোৎনবনি। খুৎলায় পায়বা য়ু জিশিং শীজিন্নরগা পোলিটিকেল পৱার পায়নবা হোৎনরিবা খুদিংমক কোংগ্রেস পার্টিনা নমথেক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লময়ানবা ফার্মরস ক্লব লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): নবার্দকী স্পোন্সর মখাদা কে ভি কে, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা লময়ানবা ফার্মরস ক্লব লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা ঙসি কাচি খুল ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মাক্লং গ্রাম পঞ্চায়টকী মেম্বর কে প্রেমাবতি, নবার্দকী দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট মেনেজর টি ঐচ কিরন অমদি কে ভি কে, ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এন অরুনকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নবার্দকী দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট মেনেজর টি ঐচ কিরননা বেঙ্কিং সপোর্ট ফোর ফার্মরস ক্লব অমদি কিষান ক্রেদিট কার্দকী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা এন অরুনকুমারনা, ফার্মরস ক্লবকী মেম্বরশিংনা খায়জিন্নদুনা ক্লব অসিগীদমক ফন্দ খরা থম্বা তঙাইফদে হায়বা ৰাফম ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা ফার্মরস ক্লবকী মরুওইবশিংগী মতাংদা ফোঙদোক্লখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):

মীখলগী পোল মেটরিয়েলশিং অমদি মরী লৈনবা পোৎলমশিং থমগদৌরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট দি ঈ ও কমপ্লেক্সতা লৈবা ষ্ট্রোং রুম অসিগীদমক সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অদুনা হায়, পোল্লিং টিমশিংগী মেটরিয়েলশিং অমদি ঈ ভি এমশিং থমগদৌরিবা ষ্ট্রোং রুম অসিগীদমক মীখলগী প্রোসেস লোইদ্রিবফাওবা দি ঈ ও ওফিস কেম্পসতা অথিংবা কয়া থল্লগনি। দি ঈ ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ওথোরাইজ সেক্যুরিটি পাস য়াওদনা চঙবা য়ারোই। কেম্পস মনুংদা মৈখেৎ অমদি মৈ চাকপা য়াবা পোৎলমশিং পুশিনবা য়ারোই। দি ঈ ও ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ওফিসশিংগী হেদশিংনা ইলেক্সন প্রোসেস লোইদ্রিবফাওবদি মসিদা য়াবীয়ু। দি ঈ ওনা পীবা পাস য়াওদবা গাড়ীশিং দি ঈ ও কেম্পসতা চঙবা য়ারোই। ভেলিদ পাস য়াওদবশিং চঙবা য়ারোই। কেম্পস অসিগী এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা পীবা য়াবা থবক তৌবশিং য়ারোই হায়নসু ওর্দর অদুনা মখা তানা পল্লি।

## রেন্দমাইজেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সি ১০ গী ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) ফর্ষ্ট রেন্দমাইজেসন ঙসি পঞ্চায়ট ভবন, দি সী ওফিস কমপ্লেক্স, ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকখ্রে। দি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্টকী কনষ্টিট্যুএন্সি তরা অদুদি খুন্দ্রাকপম, হৈঙাং, খুরাই, ক্ষেত্রিগাও, থোংজু, কৈরাও, অন্দ্রো, লম্লাই, য়াইস্কুল অমদি ৱাংখৈনি। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, জেনরেল ওবজার্ভর, আর ওশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংসু রেন্দমাইজেসন অদুদা শরুক য়াখি।

## কেন্দিদেটশিং উনগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ : চান্দেল অমসুং তেংনৌপল এ সীগী সেন্ট্রেল জেনরেল ওবজার্ভর ভৱানি সিংহ খাঙহারোলনা থা অসিগী ২৫ দা এ সী অনী অসিগী কেন্দিদেটশিংগা দি সী, চান্দেলগী ওফিস চেম্বরদা উনগদৌরি। দি আই ও, চান্দেলনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এ সী অনী অসিদা মীরেপ ওইগদবশিং নৎত্রগা মখোয়গী এজেন্টশিংনা মীফমসিদা শরুক য়ানবা এস দি ও, চান্দেলনা নোটিশসু থোকখ্রে হায়রি।

## আই এন সীগী মীরেপনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগী ঈ সী আইদা ৱাকৎখ্রে : নিমাইচান্দ লুৱাং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):

অন্দ্রো এসেম্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমারগী ৱার্করশিংনা বি জে পিগী ৱার্করশিংদা কিহন-খঙহনবগী থৌওং চথদুনা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রে। মরম অসিনা আই এন সীগী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমারবু হন্দক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইবা য়াহনবীগনু হায়না ঈ সী আইদা ৱাকৎখ্রে হায়না অন্দ্রো এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা, ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায়খি, ঈ সী আইনা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্লীগী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রবা মতুংদা অন্দ্রো এ সীদা মীখলগা মরী লৈননা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি। ঐহাক্না মীখলসিগা লম্বা তৌনগদৌরিবা আই এন সীগী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমারগী ৱার্করশিংনা বি জে পিগী ৱার্করশিং অমসুং বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ঐহাক্কী য়ুমমক্তদা এটেক চথরকখ্রে। হৌখিবা জান্যুৱারি ১৩ দা মশক খঙদবা মীওই খরনা বি জে পিগী এক্টিব মেম্বর সলাম জুগেগী য়ুমদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লম্বগী থৌদোক লৈখ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অন্দ্রো পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎপসু লৈখ্রে। জান্যুৱারি ১৬ তনা কোংগ্রেসকী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমার শৌগৎপশিংনা নম্ফুন্দা ঐহাক্কী ইমৌনুপী অমসুং ঐহাক্কী মরী-মতা কয়া পোইরৌ খোংজিন্দা নম্ফুন্দা মতম খরা ফাজিন্দুনা থম্লুরে। মখোয়বু ফাজিন্দুনা থম্বগী মহুত্তা পোইরৌ খোংজিনগী মফমশিংদা মীখলগী কেম্পেন চথবা য়ারোই হায়নসু কিহন-খঙহল্লকপসু লৈখ্রে। জান্যুৱারি ২৯ দা বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইরিবা ঐহাক্কী য়ুমদা আই এন সীগী সপ্পোর্টর কয়া লাক্লগা নুঙ থাজিল্লম্বা অমদি বি জে পিগী ৱার্কর কয়াবু ফূবীরম্বা থৌদোকসু লৈখ্রে। মখা তানা আই এন সীগী সপ্পোর্টরশিংনা ফেব্রুৱারি ৯ দা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা মীখলগী কেম্পেন চথবদা শীজিন্নবা গাড়ী তরেৎ থুগায়বীরকখি। ফেব্রুৱারি ১৫ দনা হেমন্ত কৌবা মীওই অমা কিদনেপ তৌবীখি। মহাক পুলিসনা রেস্ক্যু তৌখি। ফেব্রুৱারি ১৯ দনা আই এন সীগী ৱার্কর ৫০ রোম্না বি জে পিগী ৱার্কর সলাম ইনাও অমসুং পুথেম তোমাল অথীনা ফূবীরমখি। মদুদা পুথেম তোমাল মখোঙদা ফ্রেকচর লৈবদগী হোস্পিটালাইজ তৌখি।

মীরেপ ওইরিবা ঐহাক্না ঙরাং অন্দ্রোদা মীখলগী কেম্পেন চথবদা আই এন সীগী ৱার্কর ৩০ রোম্না এটেক চথরকখি। মদুদা গাড়ী অমা অকায়-অতোয় থোকপদা নত্তনা মীওই মরি অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু ইলেক্সন কম্মিসনগী ফ্লাইয়িং স্কাদ টিমনসু ৱিটনেস ওইখ্রবনি। ঈৱাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কয়াসু কাপখি। থেংখাং কয়ারক্তা মীরেপ ওইরিবা ঐহাক ইশামক অমসুং বি জে পিগী ৱার্করশিংদা চথরক্লিবা এটেকশিং অসি আই এন সীগী ৱার্করশিংনা মীখলগী কোর্দ ওফ কন্দক্ট থুগায়বনি। মরম অসিনা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়বগীদমক আই এন সীগী মীরেপ ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারবু মীরেপ ওইবা য়াহনবীগনু হায়না ৱাকৎপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রাইজিং দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস): য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসনগী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ইষ্ট মণিপুর বট্টালিয়ন হেদক্বার্টরস নম্বর ফোরগী ১৫ শুবা রাইজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জেদ ঈ ও জোন থ্রী, থৌবাল এম মনিলালনা চীফ গেষ্ট, থৌবাল লৈতাঙ্খেম কহ্নাই জুনিয়র হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর চনম্বম জর্ম্ম সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হ্যুমেন রাইট এলার্টকী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। খাসি হায়র সেকেন্দরি স্কুল, শিল্লোংগী এসিষ্টেন্ট লেকচর এ কে জুগিন্দ্রো, কাউন্সীল্লর ৱার্দ নম্বর থ্রী পুয়াম জোতেনা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

## স্পোর্ট ইনক্বারি তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর মহিলা কলিয়ান সমিটিনা চল্লাইবা দ্যুলালেন্দ চিলদ্রেন হোমদা থা অসিগী ১৮ দা ক্লাস থ্রী খক্তমক তম্লিবা অঙাং অমা বার্থ রুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মখাদা লৈবা ওবজার্ভেসন এন্দ চিলদ্রেন হোম কম্মিটি, ইম্ফাল ইষ্টকী টিমনা ঙসি স্পোর্ট ইনক্বারি চথখ্রে।

স্পোর্ট ইনক্বারি অদু সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী থৌসু পুরিবা ওবজার্ভেসন এন্দ চিলদ্রেন হোম কম্মিটি, ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরপার্সন এ নৌতুনেশ্বরীনা লুচিংখি। ইনক্বারি অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বর সী ঐচ বিমোলচন্দ্র অমসুং সী ঐচ রোসন খাঙানবসু শরুক য়াখি।

টিম অসিনা হোম অদুগী কাউন্সীল্লরগী ষ্টেটমেন্ট লৌবগা লোয়ননা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু হকথেংননা য়েংশিনখি। কম্মিটি অসিগী টিমশিংনা স্পোর্ট ইনক্বারি তৌবা লাক্লিঙৈ চৈরক অদুদা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনসু দ্যুলালেন্দগী চিলদ্রেন হোমদা হকথেংননা লাক্তুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক মখা তানা চথখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা রিপোর্টশিং অদু মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটিদা থাগৎকনি হায়নসু হোম অদুদা লাকখিবা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।